## এডিটোরিয়েল

### গারী পার্কিংগী মওংসিমক্তং শেমদোকহন্নিংই

চহী ১৫ গী মতুংদা মণিপুরদা অওনবা লৈঙাক অমা লাক্লে হায়বসি মীয়াম্না উরে। অনৌবা লৈঙাক অসিনা লাকপদা মতম শাংনা লৈরক্লবা নেস্নেল হায়ব্রেদা কৌবা য়ু এন সি গী মতম কক্তুবা বন্দ হাংদোকহনবা ঙমখ্রে অমসুং চহী ফারক্কদৌরবা চুরাচান্দপুরগী এন্তি ত্রাইবেল বিলসকী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনবা মতমদা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্তনা লৈরম্বা অদুসু য়ান্নবা অমা পুরকপদগী হন্দোক্তুনা অশিবা হকচাংশিং অদুগী মথৌ মঙম পাঙথোকপা অমসুং থৌদোক্তুদা শোকখ্রবা মীওই কয়া অমদা লায়েংবগী চঙখিবা শেনফম হন্দোকপা য়াওনা চুরাচান্দপুরগী মীওই কাঙলূপশিংগী তোঙান তোঙানবা লূপশিংনা য়ান্নবা পুরকপদগী হন্দোকহনবা ঙমখ্রে। য়ান্নখিবা ৱাফমশিং অদু মে ২৫ ফাওবগী মনুংদা থবক্তা ওন্থোক্কনি হায়বগী থাজবা অমসু লৈঙাকসিনা থমখ্রে। শম্না হায়রবদা অনৌবা লৈঙাক অসিনা হেক পাল্লকপদগী নুমিৎ ১০০ নি গী মনুংদা মখল মখা কয়াগী থৌরাংশিং পায়খত্তুনা মণিপুর মীয়ামদা খ্বাইদগী হেন্না অৱাবগী চৈথেং পীরম্বা বন্দ অমদি ব্লোকেদশিং অদু হন্দোকহনবা ঙমখ্রে। মসি মরু ওইনা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মণিপুরগী হোম দিপার্টমেন্ট অসিগী মখাদা লৈবা পুলিস দিপার্টমেন্টতা অচৌবা শক্তি অমা শীন্নবদগীনি হায়না লৌবা তাই। হায়বদি লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লবগীদমক লৈরিবা দিপার্টমেন্ট অদুগী পার্সোনেলশিংদা মখোয়গী মথৌ পাঙথোক্লবা খঙহনবগা লোয়ননা মখোয়গী মথৌদা য়েংশিন্দনা লৈঙাকসিগা অন্দরষ্টেন্দিং অমদা মথৌ তৌহল্লকপদগী হায়রিবা থৌশিলশিংসি মায় পাকপনি হায়না লৌবা তাবনি। মসি লৈঙাকসিগী অহানবা পায়খৎপা থবকশিংগী মনুংদা অচৌবা এচিভমেন্ট অমনি হায়না লৌবা তাবনি।

মসিগী মখা তারকপদা লৈঙাকসিগী মীয়াম্না পায়খৎলক্কনি হায়না খল্লিবা থবক অসি মী চিল্লবা ইম্ফালগী এরিয়াদা ওইরিবা পার্কিং মফম লৈতবদগী কা-হেন্না অচিনবা কয়া ত্রাফিক্তা লৈহল্লিবা অসিগী মতাংদা অনৌবা থৌশিল অমা পায়খৎলক্কনি হায়বসিনি। অদুবু হায়রিবা পার্কিং এরিয়া লৈতবগী প্রোব্লেমদুনা অচৌবা প্রোজেক্ট মথৌ তাবা মরম্না অহানবদা মণিপুর লৈঙাক্কী মপুশিংগী ওফিস ওইরিবা মণিপুর সেক্রেটরিয়েটকী সাউথ অমসুং নোর্থ ব্লোক্কী মমাঙদা লৈরিবা লম্বী অসি অহানবা ওইনা মীয়ামগী ত্রাফিক্তা অপনবা পীদনবা থৌরাং অমা পায়খৎপা মথৌ তাই। হায়রিবা সেক্রেটরিয়েটকী ব্লোক ২ অসিদা লৈরিবা ওফিসিয়েলশিং অমদি মিনিষ্টরশিংগী এক্সপোর্ট গারীশিং অমদি অচৌ-অশাংশিং অদুবু উন্নবা লাক্লিবা অঙম-অথৌশিংগী গারী ময়াম অমা মথোং খঙদনা খামজিনবদগী মরম চাদবা লম্বী চিনবগী থৌওং অমা থোকহল্লিবা অসিমদি অহানবা ওইনা অরাইবা মওংদা থোকহন্দনবা হোৎনবা ঙমগনি হায়বা থাজে। হায়বদি মিনিষ্টরশিং, ইসকোর্ট পার্টিশিং, অচৌ-অশাংঅমসুং অঙম-অথৌশিংনা মরম চাদনা লম্বীদা শাংনা কনশিল্লগা গারী খামজিন্দুনা থম্লগদি মদুনা ত্রাফিক জাম ওইহন্দুনা মীয়ামনা চৎথোক-চৎশিনদা অপনবা ওইহল্লি হায়বসি মশা-মশাদা খঙহন্নবা ঙসিগী লৈঙাক অসিনা এডভাইস তৌবা চুমগনি। মদু ওইরগদি মীচমশিংগা লৈঙাকপাশিংগা লৈনরিবা মরীদা হেন্না অফবা অমা ওইহনগনি অমসুং ত্রাফিক জাম ওইহল্লোই হায়বসি খঙনা থৌরাং অমদি পায়খৎহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### খেৎনবা খঙবদি য়ারবনি

ইকায় খুম্নজরিবা এডিটর,

এদিটরগী অয়াবা লৌরগা ফোংদোকচগে খন্দুনা ঐগী ওইবা ৱাফম খরদি থমজরি। ৱাফম হায়ববু নাগাশিংগী ওইবা তোপ-তোপ্পা মশক থোকপা লমদম অমগীদমক মতম কুইরবগী মমাংদগী বৃটিশ লৈঙাক অমদি কাইনথংদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না পুকচেল শেংজরবা নাগাশিংবু হং-লাইগুম মতম মতমগী ওইবা ৱাহে নংত্রগা থৌদোক্তা য়ুম্ফম ওইহন্দুনা মখোয়গী অনীংবা নংত্রগা অপান্বদা য়াম্না তুক্কৎচবা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি শীজিন্নদুনা, অমুক হরাওহন্বা, অমুক জ্ঞান মাঙবা পোলিসি শীজিন্নদুনা শাংলবা নাগাগী ওইবা চহী কয়া অমা করিনো খংদনা ঙসি ফাওবা লেল্লক্লি। মসিদা নাগা মীয়াম্না ঙসি ফাওবা খংদবগুম লৈরিবসিমক মখোয়গী ওইনা য়াম্না লাইবক থীরবনি। চফু কায়রগা ক্লাক্লা হরাওবদি প্রমানমক নংত্রবসু তশেংনা অচুম্বা ৱাফম্নি। ইন্দিয়াগী অৱাং নোংপোক লমদমদা ইন্দিয়া লৈঙাক্না শীজিন্নরিবা রাজনিতিগী পোলিসিদি অৱাং নোংপোক লমদমগী প্রজা অমত্তনসু য়াদ্রবনি হায়বসি নাগা প্রজাশিংনা মাংজৌননা খংলমদবসিদি তশেংনা য়াম্না শাথীবা অশোয়বনি।

ইন্দিয়াগী ওইবা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসিদা নাগাশিংনা নাগাতবু নুংশিরগা অতোপ্পা ফুরুপশিং নাথেদুনা নম্ফুহাপুদা কিহন্দুনা নংত্রগা খুৎলায় ফাওবা শীজিন্নদুনা ইচিন ইনাও ওইরিবা লমদমসিগী ওইবা ফুরুপ কয়াবু অৱা চৈথেং পীখিবসিদি মতমদুদগী নাগাশিংগী অশোয়বা পোলিসিনি হায়বসি নাগা লূচিংবশিংনা খংখিদ্রে। খঙদবা হায়বসিদি য়াম্না খুদোং থিনিংঙাই ওইবনা ঙসিদি নাগাগী ওইবা মংলান মচেৎ কয়া থোক্লা কাইথরক্লগদ্রা হায়বসিদি থাজনিংঙাইগী মশকলোমদা চংশিল্লক্লি অমদি নাগাশিংবু কাইনথংদা তোখাই তাহন্বগী লম্বী নকশিল্লক্লি।

মতম কয়া বৃটিশ লৈঙাক্না নাগাশিংবু থেল্লস্লগা কাইনথংদা বৃটিশনা ইন্দিয়া থাদোক্লমদাইদা নাগাশিংবু নখোয়না থোকপা তৌহৌরো হায়না থম্বীরম্মী হায়বসি নাগাগী ইতিহাসতা য়াওরি। ফিজোনচিংবা নাগাগী ওইবা অখঙ-অহৈ লূচিংবশিংবু হৈনা নাথেরস্লগা ঙসিদি বৃটিশ সরকার নাগাগী মংলানবু ইন্দিয়া লৈঙাক্তা থংজিল্লস্লে হায়বসি নাগা লূচিংবশিংনা খরদং মাংজৌননা খঙলস্লবদি ঙসিগী নাগাগী কৈবু কৈওইবগী ফিভম অসি ওইরস্লোই হায়জনিংই।

অরোইবদা হায়জনিংবদি অৱাং নোংপোক্কী ফুরুপ খুদিংবু নুংশিবা ঙম্বা থম্মোয় চেন্বীদ্রগদি য়াম্না চাউবা মংলান মঙবীরুনু। ইন্দিয়া লৈঙাক্লসু অদুক হাক্লা ইনশিনবা য়াওদ্রবসু নাগাফুরুপ্তুগী ওইবা ৱাখল্লোন হায়বদুদি অতোপ্পা ষ্টেটকী ফুরুপশিংদা শীঙনবা ওইনা থোক্কনি।

**অদোমগী**
**হিদেন লাইশ্রম**
**ইম্ফাল**

# মণিপুরী সংস্কৃতিবু শকখঙবা

এলাংবম নীলকান্ত সিংহ

ঐখোয় অয়াম্বনা ঐখোয়গী সংস্কৃতিবু খঙলে হায়দুনা চাউথোকচৈ, হৌরকফমদি ইন্দো-মঙ্গোলোইদ (কিরাট) কাংলূপনিককা হায়রগা অরিবা মশকসু খঙলবদৌনা থাজনরী। তশেংবদি অরানবনি। খঙবা হৌগৎলকপদা ঙাইরী। থিবগীসু লেপল্লদ্রি। অদুবু পুয়া-পুরান খরা পারগা নংত্রগা মপানগী-মনুংগী পণ্ডিতশিংনা থেংনরুবা খরা পুথোক্লরগা মণিপুরী সংস্কৃতিবু খঙলে হায়বা ওইথোক্তে। খৃষ্টগি কুমজা ১৮ গী মমাঙদা লৈরম্বা সংস্কৃতিগী মশকপু ঐখোয়গীনি হিন্দুগী নত্তেনচিংবা পঙহায় হায়রুবসু য়াদে। পূন্নমকসি প্রমাননা ফাগদবনি।

মপুং ওইবা ৱাফম খরা হৌজিকসু লেপথোকপা ঙমদ্রী। শলায় ৭ না পূনশিন্দুনা শেমখীবা মৈতৈ হায়বা জাতি অসি করম্বা মতমদা লমদম অসিদা ইহান-হান্না খুন্দাখীবগে? চপ-চানা চঙলকপগি মতমনা করিনো? হৌরকফম চপ-চাবনা কদায়দনো? ৱাহংশিং অসি ঐখোয় চপচানা খুম্বা ঙমদ্রী। অয়াম্বনা ভাবনা শানরী। হৌজিক ফাওবদা ফংলিবা ফলদি হৌরকফমগী মতাং ফাওবদনি। চাইনাগী খা-নোংচুপতগী টিবতো বর্মন কাংলুপ মচা খরনা অৱাংথংবা ব্রহ্মদেশ (হৌজিক্কি ম্যানমা) তা লৈরম্লগা মণিপুর য়ৌরকপনি হায়সিমদি চাওরাক্লা য়ানরবগুম তৌই। তম্পাক্কী শরুক অসি ঈশিংনা থুমলমই, মমৈথংদা কংলকই হায়বগী ৱাফমসু শিবগি ত্রিশুলনা চীংনুংহুৎতা ঈশিং চিংথোকখি হায়না থাজনবা অসিনসু প্রমান তৌরি। কিরাটশিংনা য়ৌরক্লিঙৈদা অষ্ট্রিক কাংলূপ লৈরম্বসু য়ারি।

কলচর হায়বসি অহোংবা নাইদবা পুথ্রিগী ঈশিংগুম্বা নত্তে। তুরেলগী ঈচেলগুম্বনি। ঈরোং কয়ানা তিল্লি অদুগা অমতা ওইখি। হান্নগি মশক মমিং ওল্লকই-নুংগী শরুক্তি পুম্মাং মাংদ্রবসু আর্য্যগী সংস্কৃতিনি হায়না থাজনরম্বা ভারতকী সংস্কৃতি ফাওবা চাদা শরুক ২৫ তনি আর্য্যগী মশক য়াওরিবা। লেমহৌরিবা ৭৫ দি অনার্য্য হায়বদি দ্রাবির, মঙ্গোলোইদ অমসুং অষ্ট্রিক কাংলূপকী দাননি হায়না ডাক্তর সুনীতিকুমার চট্টোপাধ্যায়না অকনবা মত পিরি। রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা হুন, শক মঙ্গোলনচিংবা জাতি কয়ানা তিনখ্রবা ভারতকী মহাসাগরনি ("ভারতের মহামানবের সাগর তীরে") মীওইবা পূম্বগী হায়দুনা হায়রমই। মণিপুরসু অসিগুম্বনি। পাখংবগি মতমদগী মৈতৈ হায়দুনা চাওরাক্লা পুনশিন্নদুনা পাল্লবগী তুংদা চঙলকইবসি য়ামখ্রে। হিন্দুগী পুয়া-পুরানগী জগৎ চঙক্লে। বৌদ্ধ ধর্ম য়ৌরক্লে। তান্ত্রিক ধর্মগী অকনবা প্রভাব তারে। লোইনরকপদা টাই-শান সংস্কৃতিগা য়াম্নমক নকশিন্নরকপগী মওংসু লৈরি। খৃঃ গী ১৫ শুবা চাদগি বিষ্ণু মন্দির লিংখৎপগা লোয়ননা ব্রহ্মনগী শাগৈ কয়াসু ভারতকী মফম অয়াম্বদগী চঙশিল্লক্লে। ১৮ শুবা খৃঃ গী শতাব্দিদগী শাফু কন্না বৈষ্ণব ধর্মগী প্রভাব তারে। মণিপুরীশিং (তম্পাক্কী) অয়াম্বা হিন্দু ওল্লে। ভারতকী অপূনবা সংস্কৃতিগী ঈচেলদা তিল্লে। ভারতকী সংস্কৃতিবু শাগৎপদা চাওথোক্লদুম জগোয় ঈশৈদা, হৌজিক্লা থাঙদা তাদা, মতিক চাবা দান তৌরে। পূন্নমক অসি লৈরোন কয়া থোক্লা লৈখ্রবনি। মাংবদি অমতা নত্তে। অদুবু মচা তানা খায়দোক্লবা হোৎনবদি অরায়বা থবক নত্তে। হোৎনববুদি কন্না হোৎনরী। হৌজিকমক্কি ওইরিবা খোঙচৎকি মশক অমতং অমুক্তং হন্না য়েংথোকখিবা য়াই।

বিজ্ঞানগী মীৎয়েংদগী মণিপুরীশিংবু শক খঙনবা হোৎনরম্বা লময়ানবশিংদি টি, সি, হদসননচিংবা মণিপুরদা থবক তৌরম্বা পণ্ডিতশিংনী। মীৎ-না খরবুদি শিংহল্লি। অদুবু মখোয়না থেংনরুবা খরগ মথক্তা লমসিগী পণ্ডিতশিংগী ৱাফমদা তাংজবনিনা চপ-চানা থিজিনবা হায়বদু য়ৌদে। মখোয়না থনম্বা খরদুবদি কান্নদবা নত্তে। তুংদা থিরকইবা ময়ামদা লময়ানবগী মশক লৌরি। মখোয়গা শন্ননা লৈখিদ্রবা ৱাহেংবম য়ুমজাও সিংহনা আর্কিওলোজিগী মাইকৈদগী তৌদুনা খোক্তুনা কোরী কোম্পাক্তা ইরম্বনচিংবদু নৈনদুনা নৈনদুনা খরা থম্লমই। মদুসু অনৌবা হায়বদুনি। "পোইরতোন খম্থোকপা" লাইরিকপু খৃঃ গী মাঙদা ইরম্বনি হায়বনচিংবা থাজবসি লৌবা য়াদ্রে। মাইকৈ অসোমদা য়াম্নমক অচৌবা থৌদাং লৌখিবা থায়নগী মৈতৈগী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতাবু বেদগী মতমগী গা চাংদম্নবনচিংবা হোৎনরম্বা (আর্য্য সংস্কৃতি পুমশেং শেংবনি খক হায়রমদে) পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু বিদ্যারত্ননি (১৮৮৯-১৯৬৩)। মহাক্লা বেদগী অমসুং পুরাণগী পাদম লৌদুনা মণিপুরগী অরীবা সংস্কৃতিবু তশেংনমক অৱাংবা থাক্তা পুখৎপিরমই। মসিমক্লা মণিপুরীশীংদা অঙকপা থৌনা অমসুং শক্তি হাপখি। ধর্ম, সাহিত্য, জ্যোতিষ, ব্যাকরণ শুনা খঙবা পণ্ডিতরাজনি। মহাক্লা মৈতৈগী সংকির্ত্তণ জগোয়রাস অমসুং সনামহি, পাখংবনচিংবা পুথোক্লবা হোৎনরম্বসি য়াম্নমক অৱাংবা থাক্কিনি। অদুগা পূন্নমক্কি মথক্তা ভারত মহাজাতিগী অপূনবা শাগৎলকপদা মহাক্লা লৌরমলিবা থৌদাং অসিগীদমক ডাঃ সুনীতিকুমার চেট্টর্জিমক্লা মহাকপু নোংপোক ভারতকী অগষ্ট্য মুনিনি অমসুং মতম অসিগী ঋষিনি হায়না চিংনবা মৈলনা থাগৎলমই। মহাক্লা শন্নবদগী ডাঃ চেট্টর্জি ফাওবা মণিপুরী সংস্কৃতিবু মশক তাকপদা ফনা য়াম্না তেংবাংখি। লমদমসিগী ৱাংলবা সংস্কৃতিগী মশক অমসুং সাহিত্যগী অৱাংবা থাক্লা মহাকপু শুক্কৎখি। পণ্ডিতরাজনা হায়রম্বশিংসি হৌজিক নৌহৌনা নৈনবা দরকার ওইরি। হেঞ্জিনবা মানবা খরা য়াওরবসু হায়রল্লিবশিংসী তরাই-তরাইনা ককথৎপদি ওইথোক্তে। ভারতকী সংস্কৃতিনা, মপুংওইনা বেদগি ৱাখল পরিংনা মণিপুরী সংস্কৃতিদা মনুং য়ৌনা চঙখিবা অমসুং মদুদগী মৈতৈগী তোপ -তোপ্পা পুন্সি মীৎয়েং অমা শাগৎলকপা ঙম্বগি শক্তি অদুমদি চামদগী হেন্না থম্বিরল্লবা পণ্ডিতরাজগী লাইরিকশিংদা থেংনগনি। অচুম্বা কয়াসু য়াওদবা নত্তে। ঐখোয়না খঙজবা ঙমদবতনি।

বৈষ্ণব ধর্মনা মপূং ওইনা চঙলক্লিঙৈদা মণিপুরী সংস্কৃতিদা য়াওরিবা তন্ত্রগি চাওরবা প্রভাব অসিমসু অঙকপনি। লৈখিদ্রবা পণ্ডিত অশাংবম মীনকেতন সিংহনা শিরমদাই ফাওবদা মাইকৈ অসোমদা য়াম্নমক কুপশিন্না য়েংবিরমই। মতাং কয়াদসু ফোংদোকপিরমই। অদুবু মপুংফাবা ৱাফম অমা ওইনা লাইরিক্লচিংবদদি থম্বিরমদ্রে। মাইকৈ অসোমদা মহাক্কি তৃংইনজদুনা মণিপুরী সংস্কৃতিদা তন্ত্রগি প্রভাব হায়বসিগী মতাংদা ইশামক চহি অহুমমুক রিছার্চ তৌজরুই - ভারত সরকারগী মতেং ফংজদুনা। মপুং ওইবা ভাষন খরা নত্তনা লাইরিক ওইনা ফোংদোকচদ্রি। মাইকৈ অসোমদসু মণিপুরসি তন্ত্রগী লমদমনি হায়বমক য়াবগী (কামব্দনপু তন্ত্রগী লমদমদা চিংশিনবগুন্না) ৱাফম থোরকই। তন্ত্র হায়বসি শিবা-দুর্গাগা তিন্নবা, হিমালয় চীংশাং পরেংদগী অমসুং অকোয়বগী সভ্যতাদগী শমথরকপা- মদুনা দক্ষিন ভারত অমসুং খা-নোংপোক এসিয়াগী লম য়ৌনা শন্দোকখিবা লাইনিং অমসুং শাজৎ পথাপ অমনি। বেদগী মতমদগী ফাংননা চেন্থরকপা ঈচেল অমনি অমসুং মসিনা হৌজিক্তি অনিমক অমতা ওইখিদুনা ভারত সংস্কৃতিগী ঈচেল ওইরি হায়বসিদি পূন্নমক্লা য়ানরবনী। বেদগি মমাঙনি থাজনরীবা সিন্ধু উপত্যকা (ইন্দজ ভেল্লী) গী সভ্যতাগী মোহেনজদারো হরাপ্পানচিংবা লমদগী থেংনবা মশক্তা তন্ত্রগী মশক থেংনৈ। গুরু, দীক্ষা, মন্ত্র, যন্ত্র, মুর্ত্তি পুজানচিংবা পূন্নমক তন্ত্রগী মশকনি। জগৎ অসিবু চপ-চানা লৌশিল্লগা হেন্না অৱাংবা থাক্তা পুখত্তুনা পুখত্তুনা মুর্ত্তি অমসুং ভক্তিগী মশক অনিমক তিন্নবগী চাওরবা সাধনাগী ঈচেলনি। তন্ত্র হায়বসি হিন্দুদগী নত্তে। বৌদ্ধ তন্ত্রসু লৈরি। বৌদ্ধ ধর্মনা টিবেততা চঙখ্রগা ওইরকপা হন্থবা থাক্কি তন্ত্রশাস্ত্র (Lower Tantrism) হায়না খঙনবা পোৎশেম-তুশেমদা হৈনবা মশক অমসু থোরক্লি। মসিমসু লমদম অসিদা অকনবনি। মণিপুরগী মাইবা-মাইবীশীংনা মতম পূম্বদা চঙজরী ইমা গুরু-ইপা গুরুগী মফমদা। গুরু হায়বসিমক্তি শৈব ধর্মগী তোপ-তোপ্পা দান অমনি হায়না প্রোফেসর আরঃ এনঃ দান্দেকরনচিংবা মহাপণ্ডিতশিংনা অকনবা মত ফোংদোক্লি। মণিপুরী সংস্কৃতিদা চঙলকইবা তন্ত্রগী মশক অসিদি য়ামখ্রে। হ, র, স, গী সাধনাদা শিবজ্ঞ্যা (শুবিকা) সনামহি, পাখংবা, লৈমরেনগী লাইশোন-তিনশোন্দা লাইহরাউবগী লৈশেমলোন, মাইবীশিংগী লাই ঈকৌবনচিংবগী খূৎথেক কয়াদা, মাইবীমক্কি অহানবা ফিরেপতা খূৎ অনীগী কোনশিনবা মশক্তা (শিবা মুদ্রা হায়না খঙনৈ) য়াম্নমক কুপ্না য়েংলবদি হান্নগী লৈজরম্বা খরগী মথক্তা তন্ত্রগী চাওরবা মশক অমা চঙশিল্লক্লে হায়বগী প্রমান ওইরি। পূন্নমক অসিবু শন্দোক্লা তাকপদি মতাং অসিদা ওইথোক্তে। অদুমকপু খুদম অমতংদি লৌখৎচগে।

থায়নগী ঐখোয়না থেংনরিবা খূৎন-ইবা লাইরিক অয়াম্বা (পূন্নমক ফাওবা হায়বা য়াই) "অঞ্জী" হায়বা ময়েক অকোনবা অমনা হৌই। থায়নগি ময়েক পাবা পূন্নমক অঞ্জী হায়না হৌদবা য়াদে। হৌজিক ফাওবদা মৈতৈ ময়েকপু নুংশিজবা কাংবুনা ময়েক ৩৫ গি মথক্তা অঞ্জীগী থারগা ৩৬ পামজবা কাংলূপ কয়ামুকসু লৈরী। মশক অসি সার ঝোন উদরোফনা চপ-চানা পুথোকপিরম্লে। অঞ্জী চক্রগী মথক্তা লৈবা অকোনবা, লৈশেমগী অহৌবদা যোগিশীংনা পামজবা হায়না অঞ্জীবু তাক্লি। ("Anji means Crooked, awry, bent line. This is in shape like a bent or Crooked line over a letter. This Shakti appeared in the beginning of Creation and is the beloved of the yogis- The serpent power: Sir John Wood - roffe 1974 pp 423-24) মসি মহাক্লা সুম্মাহনতন্ত্র কৌবা লাইরিক্তা থেংনবনি। মসিদগী ঐখোয়না খঙবা ঙমলে- মৈতৈ ময়েক ফাওবা পুথোরকপদগী হৌনা চহি চা কয়াসি তন্ত্রসাধনাগা তৎন-থানবা য়াদনা মৈতৈ লাইরিকশিং ইরক্লি। পূন্নমক্কি মথক্তা তন্ত্রগী সাধনাদি লমদম অসিগা শাগোন্নজরবা মৈতৈগী মমিং কয়া থোঞ্জরবসু লেপ্তুনা চথরকইবনি। কিরাট জাতিগা শাগোন্নরকপনি ফাওবা হায়বা য়াই। খৃঃ গী চা ৭ কি অদুৱাইদগী সংস্কৃততা লাইরিক কয়া ফোঙলক্লবা মতুংদা ময়েক শেংবা হেল্লকপনি। ভারতকী সংস্কৃতিদা কিরাট জাতিগী ওইবা দান অসি শিব-দেবীগী লাইনিং তন্ত্রসাধনা হায়বসিনি।

মরম অসিনা বৌদ্ধ ধর্মগী চঙশিল্লকপা মশক অমবুসু কাওথোকপা চুমদে। মাইকৈ অসোমদা অমুক থিজিন্দুনা হৌখিবা ১৯৯৫ দা ডাক্তর য়ুন্নাম মহেন্দ্র অমসুং প্রোফেসর শ্যামকান্হাই অনিনা চে অমা মণিপুর রিছার্চ সোসাইটিনা শিনবা সিম্পোজিয়ম অমদা পাথোকখি। চে অসিদা তাংখুলগা অঙোমগা মরী লৈনবনচিংবা কয়া পন্দুনা চীংমী -তম্মী হৌরকফম তিন্নৈ হায়বগি প্রমান তৌখি। ডাক্তর সুনীতি চেট্টর্জিনচিংবগী মত লৌরদুনা কিরাট জাতিগী মশক তাকখি। ঈঙৌরোক অমসুং মোন্দুমগী মহাদেবশিং অসি বুদ্ধগী মুর্ত্তিনি (লাইনিং মওংদি ব্রহ্মদেশকী হীনয়ান নত্তে, অৱাংথংবা শাখা মহায়ানি)। কোক্তা জটা পুবা বুদ্ধগী মুর্ত্তিনি। পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপুগী মত ফাওবা য়াওনা কোক্তা জটা পুবগী মশক অসি রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা হৌদোকপিরম্বা গোপীগী কোকতুম্বী ফিজেৎতা হাপ্লি। মৈতৈগী অতিংকোক বৌদ্ধগী শুন্যতা (অহাঙবা) হায়বদুনি। লৈমরেল শিদবীনা অমদি বুদ্ধগি লোয়নবী আদিপ্রাঞ্জ হায়বদুনি। খৃঃ চা ১০ শুবগি মতুংদা মণিপুরদা চঙলকপনি। সনামহি, পাখংবা অনিগী মশক নৈনবদা তান্ত্রিক বৌদ্ধ ধর্মগী মশক্লা চাংদম্নরী। সনামহি হায়বসি বৌদ্ধ ধর্মগী অমিতাভ হায়বদুনি - নুমিৎকি মশক্লি। পাখংবসু আদি বুদ্ধগী অতোপ্পা মশক অস্কোভ্যা নংত্রগা কালচক্রগী মশক্লি। মণিপুরগী মফমকয়াদা বৌদ্ধগী লাইনিংগা শন্নবা মুদ্রা মখল কয়াগা কোন্নবা মুর্ত্তি কয়া থেংনরী। তান্ত্রিক বৌদ্ধ লাইনিংগী মচাক কয়া মফমকয়াদা ফংলি। শমজিন্না হায়রবদা - বৈষ্ণব লাইনিংনা মণিপুরদা লাক্লিঙৈদা বৌদ্ধ লাইনিংগী মশক্লা মণিপুরী সংস্কৃতিগী অচৌবা য়ুম্ফম ওইখি। ৱাফম অসি খরগা কুপ্না য়েংশিন্নবা রিছার্চ স্কোলারশিংদা বার্তন তৌবনি। চপ-চানা থিজিনবা য়াই। পণ্ডিতরাজ অতোম্বাপু ফাওবা মতাং খরদা পল্লমই। অদুবু খরগা কুপ্না য়েংশিনবদি পণ্ডিত অনি অসিনা হৌরক্লি। বৌদ্ধ লাইনিং মণিপুরী সংস্কৃতিদা চঙদে হায়বা য়ারোই। চাইনাদগী পুরক্লুবসু ব্রহ্মদেশকী অৱাংথংবা শরুক্তগী খরদি শোয়দনা লোইনরকফম থোকই। ফনবু য়াম্না ঙল্লম্বসু য়াই। মণিপুর ফাওদুনা ব্রহ্মদেশতা চৎলম্বসু য়াই।

তাল্লক অসিদা ১৯৯৬ তা ডাক্তর টিঃ তোম্বনা প্রমান কয়াগা লোয়ননা অইবা ইংরাজি ভাষন অমদা টাই কলচর অমসুং মালয়া-পোলিনেশিয়ান কলচরগী শরুক্লা মণিপুরী সংস্কৃতিদা য়াওরকপগী মতাং অমা পুথোরকই। চথরিবসিসু বৈজ্ঞানিক ওইবা মীৎয়েংদগিনি। মণিপুরী সংস্কৃতিবু মশক খঙগে হায়রবদি চুন্নগী টিবেতো-বর্মন কাংলুপশিংবু নৈনবদা নত্তনা হেন্না চাওবা সাইনো-টিবেতান, মোন-খমের অমসুং মালয়া - পোলিনেশিয়ান কাংলূপশিংগী কলচরশিংদসু য়েংশিনগদবনি। মণিপুরীশিংগী হৌরকফমদী চাইনাগী খা-নোংচুপনি হায়বসিমদি য়ানরে। মফম অসিমক্তদসু চাইনাগী কলচর চঙবগী মথক্তা মালয়া পোলিনেশিয়ান সংস্কৃতিগী মশকসু চঙলম্বা য়ারি। ইতিহাসকী মতুং ইন্না টাই কাংলূপশীংসি নানচাদগী হাইথরকপনি। কুইরবা মতমদগী খর-খরা অসুম ব্রহ্মদেশ অমসুং খা-নোংপোক এশিয়াদা কুমথরকপদুনা খৃঃ গী ১৩ শুবা শতাব্দীদদি মঙ্গোলশীংনা চাইনাবু খুদুম চনখিবদগীদি আসামদা টাই অহোম ওইনা চঙলকখি অমসুং খা-নোংপোক এশিয়াগী মফ মকয়াদা হাইথখি। মখোয়সি টারটার হায়বা কাংবুদুনি - ঐখোয়না তপ্তা লাক্লে হায়না কীনবদু ওইরমগনি। টিমুরখাঁননা ৱায়েন্নবা মীশক থারকপদু নিংশিংদুনা অঙাংশিংনা শকলি- "টিমু টিমু সনা মতোন চি চৌ" টাইগী লাইনিংদা - মি হায়বা থৱায়গী মশক অমা শিজিন্নরী - প্রানবুন খূান (Khwan) কৌই। লৌখৎপা - কৌখৎপা চৎনৈ- মৈতৈগী মিকোন থাগোনবা হায়বদু ওইবসু য়াই। মাইবীনা অঙাং পোকপদা য়াংকোক্তা হাপ্তুনা থৱায়মি কৌখৎলি। অমুবা টাই (Black-Tai) লৈরী। মৈতৈসু অরিবা কলচরদা ফিমু শেৎলি। টাই নংত্রগা শান কাংলূপকী শারোয় মশিং লৈ-খাঙবা চৎনৈ। মণিপুরদসু চৎনরী। হায়রিবা টাইগী মি (Minh, Mee, Mi, Ming) অসি মৈতৈগী - হে থৱায় মঙামক, মিগা থানা তরুকমক হায়বদুগী মিদু শোয়দনা ওইগনি। পোলিনেশিয়ান কাংলূপকী সংস্কৃতিগি মাক্তনা মী অশিবা পোৎলোইফম নংত্রগা ফুম্ফমনা মন্দির ওইরকই। মৈতৈগী লৈশেমলোন্দা য়াওবগুন্না অতিয়া নিংই। মৈতৈগী শুক অমসুং শুম্বনগী মশক্লা মখোয়গীগা মান্নে। মখোয়গীসু ফৌওইবী লাইরেম্মাগী ৱারী লৈ। শিখ্রবা প্রেততুগা লফুগা অমতা ওইনা লৌবা মখোয়দসু লৈ। কোচিন-চাইনা-কোম, সেমী অমসুং মৈতৈশীংদা হঙোইনা লান্নবগি থাজনবা চৎনৈ।

থোরকইবা ৱাহংদি- মীতৈ/ মৈতৈগী তৈ হায়বসিসু মথক্তা নৈনখ্রবা টাই নংত্রগা শান (কবোশীংনা কৌবা) হায়বদুগী মনুং চনবা কাংলূপ অমনি হায়না লৌবা য়ারবরা? বৌদ্ধ অমসুং হিন্দু ধর্মগুন্না কোন্না চঙলকপা য়াবগী মওংদি নত্তে। লোয়নবা তারকপনি। হকচাংদগী থোরকপা পো হায়বা অমসু চাইনাদগী লৌরগা মালয়া - পোলিনেশিয়ান কাংলূপতা চৎনৈ। মসিবু অন্দ্রো লমদমগী খাপুং, লাইপুং হায়বসি ওইরমগদ্রা? টাইলেন্দ লমদমদা মপান্দগি লাই-তিন চঙলক্লবদি নাগল্লি অদুনা মসিবু তাম্থোকপা লম্বী লৈ। ফয়েং লমদমগী "খন চঙবা" হায়বা মতাম্থোক অদুগা মান্নে। ডাক্তর তোম্বগী চে অসিদদি ৱাফম অসি লোয়শিন্দ্রি থিবা হৌরকপদনি হায়না নোল্লক্লা মত পিরি। অদুবু ঐখোয়না থৌশারমদবা, তারমদবা, উরমদবা মাইকৈ অমদি হাংদোক্লকলে।

ৱাৎলিবা অমতং হায়ববু চাইনাগী কোনফুসু অমসুং তাবগী কলচর- মপুং ওইবা মতম পূম্বগী ওইরবা ফিন অমসুং য়াই (পোজিটিভ - নেপেটিভ, নিপা-নুপীগী অর্থদা অমসুং চীংলাই (ড্রাগোন) অসিনচিংবগী মশক অসি মণিপুরী সংস্কৃতিগী লিরবা মশক্তা চঙৱা হায়বসিমদি কন্না য়েংশিন্দ্রি। ঐখোয়গী হয়ি, হায়া হায়বসিসু মখোয়গী য়িন-য়াং হায়বদুদগী ওন্থোরকপ্রা? মৈতৈগী পাখংবসি চুম্নগী কুণ্ডলিনিগী শক্তম লৌবা লিনা ওইবতা নত্তনা চীংলাইগী মাক লৌবগী শরুকসু লৈরি। মণিপুরী থিয়েটরগী শিংথানরবা মীশক সনখ্যা ইবোতোম্বী অমসুং প্রোফেসর অরাম্বম লোকেন্দ্রনচিংবা খরদি মাইকৈ অসোমদা চঙশিনবগুম তৌই।

অদুবু শিংথানবা য়াবা পেপর নংত্রগা লাইরিক্লচিংবদি পুথোকত্রি। মৈতৈগী পাফলগী মশক অসিগা মান্নবা টিবেতকী পণ্ডিত অমনা দিল্লিগী সেমিনারদা পুথোরকই হায়বগী ৱাফমসু লৈরি। টিবেতেকী কলচরসু ঐকোয়না অমুক য়েংশিল্লুবগী মথৌসু তারী। টিবেতো-বর্মহ কাংলূপনি হায়রবনিনা টিবেত অমসুং ব্রম্মদেশকী সংস্কৃতিবুসু মশক খঙবা তাই।

খ্বাইদগি লুরিবা অমদি - পোৎশিং অমসুং মশকশিং অসি থায়নগী লেংদবা ওইনা খক লৈতে। হোংলকই, মাংলকই, তিনশিল্লকই, অনৌবা ওইনা থোরকই। অশেংবা য়ান্নদবা কিরাট জাতি ঐখোয়না হৌজিক থিবা খঙলোই। অশেংবা আর্য্যসু ফংলোই। পূন্নমক য়ান্নরবা ঙাক্তনি। শলায় তরেৎনা পুনশিনখিদুনা ওল্লকপা মৈতৈ জাতিনা (কবো, অৱা, চীংমীশিং অমসুং ব্রাহ্মণনচিংবা কয়াগী ঈনা তিনখিবগী মথক্তা) চঙশল্লকইবা, লোয়নরক্লিবা অমসুং হোংলকইবা মশক কয়া অসতগী কলচরগী লৈরোন লৈরোন ওইনা লৈরগা মণিপুরগী সংস্কৃতি হায়দুনা লমদম অসিতগী ওইবা মশক অমা ওইরকইবনি। মসিবু খন্দোকপা অরায়বা থবক্তি নত্তে। অদুবু টাই নংত্রগা টিবেতো-বর্মন কাংলূপ অসিনা সংস্কৃতিগী ওল্লকইবা মশক্তা চাউরবা পৃথিবিগী সংস্কৃতি অমসুং সভ্যতা অনি-চাইনিজ বৌদ্ধ অমসুং হিন্দু তিন্নফমদগী থোরকই হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

মাইকৈ অসোমদা চঙশিনগদবা য়াম্না ৱাৎলি। খঙলে শোয়দ্রে হায়না লাউরুবগী করিমতা মথৌ তাদে। নোল্লক্লা অচুম্বতবু থিদুনা য়াম্নমক বৈজ্ঞানিক ওইবা মওংদা, প্রমানগী মথংদা প্রমান থিদুনা অতৎপা লৈতনা চঙশিনবা তাই।